# জোকোভিচ, বার্দিচ মায় পাক্কুনা মিয়ামি ওপনগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে





ন্যু দিল্লি, মার্চ ৩০ ঃ

দিফেন্দিং চেম্পিয়ন অনীরক ওইখ্রবা নোভাক জোকোভিচনা ওষ্ট্রিয়নগী ১৪ শুবা সীদ দোমিনিক থিয়েমবু ঙরাং শান্নখিবা মেচতা ৬-৩, ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা মিয়ামি ওপনগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

জোকোভিচনা মায় পাকখিবা অসিনা মহাক্না মিয়ামি ওপন্দা মায়থীবা অমত্তা য়াওদনা মায় পাকখিবা ১৩ শুবা মেচসু ওইখ্রে। মহাক্না ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা চেক্কী তরেৎশুবা সীদ টোমাস বার্দিচকা লম্বা তৌদুনা শান্নরগনি।

মেচ লোইরবা মতুংদা জোকোভিচনা হায়খি, ষ্ট্রেট সেটতা মায় পাকখ্রবসু তরাই তরাইবা অমদি ওইখিদে। মসি য়াম্না টফ ওইবা মেচ ওইখি। ঐনা নিংথিনা সার্ভ তৌখ্রবসু দবল ফোল্টশিং য়াওখি অমদি মহাক্না অকনবা প্রেসরশিং পীরকখি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মিয়ামিগী টাইটল মঙারক লৌখ্রবা জোকোভিচনা ব্রিক পোইন্ট ১৪ গী মনুংদা ১৩ দি কনবা ঙমখি। মসিগী মনুংদা মরি অমদি অহানবা সেটকী অরোইবা গেমদা ওইখি অদুগা মরিদগী হেনবনা ফাইনেল গেমদা ওইখি।

মহাক্না হায়খি, ঐনা অরোইবা গেমদা লায়বক ফখি। মহাক্না গেম অদুদা য়াম্না লায়বা ফোরহেন্দ খরা মাঙজখি। ঐনা মেচ অদুদা মায় পাক্লবগীদমক টফ ওইনা শান্নখি। মথৌতাবা পুংজাশিংদা ঐনা মহাকপু শান্নহনখি অমদি মহাকপু কোয়চেন চেলহনখি হায়না গ্রান্দ স্লাম টাইটল ১১ রক লৌখ্রবা জোকোভিচনা হায়খি।

জোকোভিচনা চহী অসিগী জানুৱারি থাদা পাঙথোকখিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী টাইটল লৌখিবদা নত্তনা দোহা ওপন অমদি ইন্দিয়ন ৱেল্লসকী ট্রোফিশিং লৌখি। অদুগা থিয়েমনা মমাঙ থাদা পাঙথোকখিবা অকাপুলকো অমদি ব্যুনোস এয়রগী টাইটল লৌখি।

অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলস মেচতা চেক্কী তরেৎশুবা সীদ টোমাস বর্দিচনা ফ্রেঞ্চকী ১০ শুবা সীদ রিচার্দ গ্যাসকেটপু ৬-৪, ৩-৬, ৭-৫ দা মায়থীবা পীদুনা মিয়ামি ওপনগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি। মহাক্না ক্বার্টর ফাইনেলদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান নোভাক জোকোভিচনা মায়োক্লদুনা শান্নগনি।

কুমজা ২০১০ গী ৱিমব্লেদনগী রন্নর-অপ ওইখিবা বর্দিচনা মেচ অদুদা ফ্রেঞ্চমেনগী মায়োক্তা এস ১২ কনখিদুনা নিংথিনা শান্নখি।


মেচ লোইরবা মতুংদা বর্দিচনা হায়খি, ঐনা শান্নখিবা মেচ অদুদা অপেনবা পোকই। মসি টফ ওইবা মেচ ওইখি। রিচার্দনা নিংথিনা শান্নখি। ঐনা মেচকী অরোইবদা শাহৌ ফনা শান্নরক্তুনা মেচ মায় পাক্লবগী খুদোংচাবদু ফংখি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

বর্দিচনা জোকোভিচকা মমাঙদা মায়োক্লদুনা শান্নখিবা মেচ ২৪ গী মনুংদা অনীখক্তমক মায় পাকখি। কুমজা ২০১০ গী রোমগী ক্বার্টর ফাইনেলদা মায় পাকখিবা অদুদগী মেচ মাপন মায়োক্লখিবদা মেচ অমত্তা মায় পাকপা ঙমদনা লাক্লিবনি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী ২৪ শুবা সীদ নিক কিরগিওসনা রসিয়াগী ৫১ শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা এন্দ্রি কুজনেটসোভপু ৭-৬ (৭/৩), ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি। নিক কিরগিওস অসি এ টি পিগী টোপ ৩০ দা লৈবা খ্বাইদগী নহা ওইরিবা প্লেয়র অমনি। মহাক্না মথংগী প্লেদা কানাদাগী ১২ শুবা সীদ মিলোস রাওনিক্কা মায়োক্লদুনা শান্নগনি। মিলোস রাওনিকনা বোনিয়াগী দামির জুমখুরবু ৬-০, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা ওপন অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙলকখিবনি।

বেলজিয়মগী ১৫ শুবা সীদ দেভিদ গোফিননা অর্জেন্টিনাগী ১১২ শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা হোরাসিও জেবাল্লোসপু ৭-৫, ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি। মহাক্না মথংগী মেচতা ফ্রেঞ্চকী ১৮ শুবা সীদ গিল্লেস সিমোনগা মায়োক্লদুনা শান্নগনি। গিল্লেস সিমোননা কম্পেট্রোইট লুকাস পোইল্লেবু ৬-০, ৬-১ দা মায়থীবা পীরমখিবনি।

# রসিয়াগী এথলেট তরুক্তগী মখোয়না ফংখিবা মেদলশিং হন্দোকহল্লগনি





লন্দন, মার্চ ৩০ ঃ

ইন্টর্নেসনল এসোসিএসন ওফ এথলেটিক্স ফেদরেসন (আই এ এ এফ) না রসিয়ন এন্টি দোপিং এজেন্সী (রাদা) গী মায়োক্তা থাঙ্গৎখিবা অপিলবু কোর্ট ওফ আর্বিট্রেসন ফোর স্পোর্ট (সি এ এস) না লৌখৎখিবগা লোয়ননা রসিয়াগী এথলেট তরুক মখোয়না ওলেম্পিক্স য়াওনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপতা ফংখিবা মেদলশিং হন্দোকহন্দৌরি।

কোর্ট ওফ আর্বিট্রেসন ফোর স্পোর্ট (সি এ এস) না লৌখৎখিবা কেস তরুক্কী মনুংদা য়াওরিবশিং অদুদি কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক্সতা কিলোমিটর ৫০ গী ৱল্কিং রেসতা গোল্ড মেদল ফংখিবা সার্গি কিরদয়াপকিন, কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক্সকী মিটর ৩০০০ গী ষ্টিপলচেসকী চেম্পিয়ন য়ুলিয়া জারিপোভা, হন্নগী ওলেম্পিক্স চেম্পিয়ন্স ভালেরি বোর্চিন অমদি ওলগা কানিস্কিনা, কুমজা ২০১১ গী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন সার্গে বাকুলিন অমদি ৱর্ল্ড সিলভর মেদল্লিষ্ট ব্লাদিমির কানেকিন্দনি। মখোয়না ফংখিবা মেদলশিং অদু হন্দোকহল্লগনি।

ওলেম্পিক্স চেম্পিয়ন্স ওলগা কানিস্কিনাগী রিজল্ট দিসক্বালিফাই তৌখিবগী মতম কুমজা ২০০৯ দগী কুমজা ২০১২ গী ওক্টোবর থা ফাওবা ওইখিবনা মহাক্না লন্দন ওলেম্পিক্সতা ফংখিবা কিলোমিটর ২০ গী ৱক্ষ রেসকী সিলভর মেদল অদু হন্দোকহল্লগনি। অদুগা য়ুলিয়া জারিপোভাসু মহাক্কী দিসক্বালিফাই তৌখিবগী মতম লন্দন ওলেম্পিক্সকী মনুং চনখিবনা ওলেম্পিক্স অদুগী রেসতা ফংখিবা গোল্ড মেদল অদু হন্দোকহনগদৌরি।

নীংশিংবা য়াই, হায়রিবা এথলেট তরুক অসি রসিয়ন এন্টি দোপিং এজেন্সী (রাদা) না চহী অনীদগীনা মপুন্সি চুপ্পগী অথিংবা থমখিবনি।

এথলেট সার্গি কিরদয়াপকিনা কুমজা ২০০৯ গী ওগষ্ট ২০ দগী কুমজা ২০১২ গী ওক্টোবর ১৫ ফাওবগী মনুংদা শরুক য়াখিবা কম্পিটিসনশিংগী রিজল্টশিং অদু চৎনররোইদবনা লন্দন ওলেম্পিক্স গেমসতা ফংখিবা গোল্ড মেদল অদু হন্দোকহনগদৌরি।

সার্গি কিরদায়াপকিনগী টাইটল অসি লৌথোক্ল বা মতম কুইনদগী হোৎনদুনা লাকখিবা সিলভর মেদল্লিষ্ট ওষ্ট্রেলিয়াগী জারেদ টালেন্টগী ৱাফম অসি ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটিনা অয়াবা পীরবদি কিরদয়াপকিনগী গোল্ড মেদল অদু মহাক্না ফংগনি। অদুগা চিনাগী সি টয়ানফেংনা অনীশুবা মফমদা কাখৎলক্তুনা সিলভর মেদল অমদি আইরলেন্দগী রোবার্ট হেফরনাননা অহুমশুবা মফমদা লৈদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংগনি।

নীংশিংবা য়াই, রসিয়াদা ষ্টেট স্পোন্সর দোপিং পাক শন্না চৎথে হায়বগী মরালদা রসিয়াগী মশিং য়াল্লবা এথলেট কয়া মমাঙ চহীগী নভেম্বর থাদগী হৌনা মালেমগী ওইবা কম্পিটিসনশিংদা শরুক য়াবা য়ারোই হায়দুনা অথিংবা থমখিবনি। অদুমকপু অথিংবা অসি লৌথোক্লবা রসিয়ানা হোৎনবা য়াবা হোৎনরবসু মখা তানা মখোয়গী রেষ্টলর, স্বিমরশিং অমদি এথলেট কয়া দ্রগ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিব ওইবা কয়া থোরক্লি।

# সাইনা নেহৱালনা ইন্দিয়া ওপন সুপর সেরিজগী অনীশুবা রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে



ন্যু দিল্লি, মার্চ ৩০ ঃ

দিফেন্দিং চেম্পিয়ন সাইনা নেহৱাল অমদি রিটুপারনা দাসনা য়ু এস দি ৩০০,০০০ ইন্দিয়া ওপন সুপর সেরিজগী ঙসি সিরি ফোর্ট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ৱিমেন'স সিঙ্গলস কম্পিটিসনদা মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

ওলেম্পিক ব্রোঞ্জ মেদল্লিষ্ট সাইনানা কম্পেট্রোইট টানভি লাদপু মিনিট ৩৪ চঙনা শান্নখিবা মেচতা ২১-৭, ২১-১৩ দা মায়থীবা পীখি অদুগা রিটুপারনা দাসনা কম্পেট্রোইট অনুরা প্রাভুদেসাইবু অতোপ্পা নুপীগী সিঙ্গলস মেচতা ২১-১৮, ২১-১৫ দা মায়থীবা পীখি।

ওল ইংলেন্দ চেম্পিয়নশিপকী ওপনিং রাউন্দদা ওলেম্পিক্কী সিলভর মেদল অনীরক লৌখ্রবা লী চোং ৱৈবু মায়থীবা পীখিবা বি সাই প্রনীথনা ইন্দোনেসিয়াগী সোনি দৱি কুনকোরোগী মখূৎতা ২০-২২, ১৩-২১ দা মায়থীহৌখি অদুগা অজয় জয়রামনা নুপাগী সিঙ্গলসকী ওপনিং রাউন্দদা জর্মনিগী মার্ক জৱিইল্লরগী মখূৎতা ১২-২১, ২১-১৩, ১৯-২১ দা মায়থীহৌখি। জয়রামনা মেচ অদুদা ১১-৭ অমদি ১৯-১৭ তা দিসাইদরদা মাঙজিল থানা চৎখ্রবসু জর্মনিগী মখূৎতা লিখৎপা ঙমদনা মায়থীহৌখি।

ৱিমেন'স সিঙ্গলস প্লেয়র রুথভিকা শিভানি গাদ্দেসু তরুকশুবা সীদেদ চাইজি ৱাং শিজিয়ানগী মখূৎতা ১০-২১, ১৪-২১ দা মায়থীহৌখি। চাইনিজগী ৱাং শিজিয়াননা থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোকখিবা ওল ইংলেন্দগী ফাইনেল ফাওবা য়ৌখিবনি।

নুপাগী দবলস কেটাগোরিদা প্রানভ জেরি চোপ্রা অমদি অকশয় দেৱালকরনা অর্জুন কুমার রেদ্দি মালগারি অমদি সন্তোশ ৱাভুরিবু ২১-১৭, ২১-১৬ তা মায়থীবা পীখি। অকশয় দেৱালকরদি সয়ীদ মোদি গ্রান্দ প্রী গোল্ডগী ফাইনেল ফাওবা চঙবা ঙমখিবনি।

অতোপ্পা ইন্দিয়াগী নুপাগী দবলসতা মানু অট্টরি অমদি বি সুমীথ রেদ্দিনা কম্পেট্রোইট ভিনীথ মানুএল অমদি এস সনজীথপু ২১-১৩, ২১-১৩ দা মায়থীবা পীখি। বি সুমীথ রেদ্দিনা মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা মেক্সিকো ওপনগী টাইটল লৌখিবনি।

মানুনা অশ্বিনি পোন্নাপাগা অমুক হন্না জুরা শেমদুনা কম্পেট্রোইট কাপিল চৌধুরি অমদি সন্ত্রীটি নগারকোটিবু মিক্স দবলস মেচতা ২১-৭, ২১-৩ দা মায়থীবা পীখি অদুগা প্রনাভ অমদি সিক্কি রেদ্দিনা কোরিয়ন কোম্বো সোলগয়ু চোই অমদি ঈত্তম হয়ে ৱোনবু অতোপ্পা মিক্স দবলসকী মেচ অমদা ২১-১৭, ১৭-২১, ২১-১৪ দা মায়থীবা পীখি।

নুপীগী দবলসতা মোহিটা সাহদেভ অমদি সঞ্জানা সন্তোশনা ফেল্লো ইন্দিয়ন সন্ত্রিটি নগারকোটি অমদি পারসা নাকভিবু ২১-১৯, ২১-৭ তা মায়থীবা পীখি।

# টোপ দবলসকী জুরা মিরজা-হিঙ্গিস মিয়ামি ওপনগী অনীশুবা রাউন্দদা মায়থীদুনা লৈহৌরে



মিয়ামি, মার্চ ৩০ ঃ

দিফেন্দিং চেম্পিয়ন্স সানিয়া মিরজা অমদি মার্টিনা হিঙ্গিসনা অমেরিকান হার্দ কোর্ট অমা ওইরিবা মিয়ামি ওপনগী ঙরাং শান্নখিবা নুপীগী দবলস মেচকী অনীশুবা রাউন্দদা মায়থীহৌদুনা লৈহৌরে।

ইন্দো-স্বিসকী জুরা অসিনা রসিয়ন-রোমানিয়ন দো লারগারিটা গ্যাসপারয়ান অমদি মোনিকা নিকুলেসকুগী মখূৎতা ৪-৬, ২-৬ তা মায়থীহৌখি। মায় পাক্লবা রসিয়ন-রোমানিয়ন জুরা অসিনা ওপন অসিগী ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখি।

চৎলিবা থা অসিগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়ন ৱেলস মাষ্টরসকী অনীশুবা রাউন্দদা ষ্ট্রেট সেটতা সনিয়া-হিঙ্গিস অনীনা মায়থীহৌখিবনি। ইন্দিয়ন ৱেলসতা মায়থীখিবা অদুনা কুমজা ২০১৫ গী মতুংদা অহানবা ওইনা মায়থীবসু ওইখি।

## ইংলেন্দ ফাইনেল চঙখ্রে

ন্যু দেল্লি, মার্চ ৩০ ঃ ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা চৎথরিবা আই সি সি ৱর্ল্ড টি ২০ গী ঙসি মফম অসিদা পাঙথোকখিবা অহানবা সেমী ফাইনেল মেচতা ইংলেন্দনা ন্যুজিলেন্দবু ৱিকেট ৭ তা মায়থীবা পীরমদুনা অহানবা ফাইনেল চঙবা ঙম্বা টিম ওইখ্রে।

অহানবা বেট্টিং তৌখিবা ন্যুজিলেন্দনা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৮ তুরগা অপূনবা রন ১৫৩ লৌদুনা ইংলেন্দগীদমক টার্গেট রন ১৫৪ থল্লমখি। ইংলেন্দনা অনীশুবা ইন্নিংসতা মখোয়গী টার্গেট রন লৌননবা তানখৎলকপদা ওভর ১৭.১ দা ৱিকেট অহুমখক্তমক তুরগা অপূনবা রন ১৫৯ লৌবা ঙমদুনা ন্যুজিলেন্দবু ৱিকেট ৭ তা মায়থীবা পীরমদুনা কপ অসিগী ফাইনেল চঙবা অহানবা টিম ওইখি।

ইংলেন্দগী ওপনর বেটসমেন জাসন রোয়না বোল ৪৪ দা রন ৭৮ লৌদুনা টিমগী মায় পাকপদা চাউনা মতেং পাঙখি। মহাক্না মহাক্কী রনদু লৌনবা হোৎনবদা ফোর ১১ অমদি সিক্স অনী কনখি। মখোয়গী বেটসমেন এলেক্স হেলেসনা বোল ১৯ দা রন ২০, জো রুটনা বোল ২২ দা রন ২৭ অমদি জো বট্টলরনা বোল ১৭ তা রন ৩২ লৌদুনা টিমগীদমক চাউনা মতেং পাঙখি। মখোয়গী বোলর বেন ষ্টোকসনা ওভর ৪ দা রন ২৬ পীরগা ৱিকেট ৩ লৌদুনা ন্যুজিলেন্দগী বেট্টিংদা চাউনা অপনবা পীখি। ন্যুজিলেন্দগী কোলিন মুনরোনা বোল ৩২ দা রন ৪৬, কেপ্তেন কেন ৱিল্লিয়মসন্না বোল ২৮ দা রন ৩২ অমদি কোরি এন্দরসন্না বোল ২৩ দা রন ২৮ লৌদুনা মখোয়গী টিমগী মায় পাক্ল নবা হোৎনখ্রবসু কান্নবা ফংদনা তোকখি। মখোয়গী ইশ শোধিনা ওভর ৪ দা রন ৪২ পীথোক্লগা ৱিকেট ২ লৌদুনা মখোয় টিমগী ৱিকেট য়াম্না লৌবা বোলর ওইখি।





HL-B/3000/05/03-4/04

# শোক্লবা যুভরাজ সিংহ ৱর্ল্ড টি ২০ দগী মপান থোকখ্রে মানিশ পান্দেনা মহাক্কী মহুৎ শিনখ্রে





মুম্বাই, মার্চ ৩০ ঃ

ৱেষ্ট ইন্দিজগা মায়োক্লদুনা শান্নগদৌরিবা সেমী ফাইনেল মেচকী মাঙওইননা ইন্দিয়ন টিমদা পীবা অচৌবা শাফু অমদা ওল রাউন্দর যুভরাজ সিংহনা ওষ্ট্রেলিয়াগা মায়োক্লদুনা শান্নখিবা মেচতা শোকখিবা অদু ফগৎপা ঙমদবদগী ইন্দিয়াগী টিম এলেভেনদগী লৌথোকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী মহুৎতা মানিশ পান্দেবু হাপচিনখ্রে।

মানিশ পান্দেবু নিংথৌকাবা নুমিৎতা যুভরাজগী কোভর তৌনবা ইন্দিয়ন স্কাদতা হাপচিনখি অমদি মহাক্না টুর্নামেন্ট অসিগী লেমহৌরিবা প্লেশিংগীদমক মহুৎ শিল্লগনি। মশাগী চহী ৩৪ শুরবা লেফ্ট হেন্দর অসিগী খোঙগী খুজেংদা ওষ্ট্রেলিয়াগা শান্নখিবা মেচতা শোকখি অমদি মখা তানা মহাক্কী অশোকপা অদু ফগৎলকপা ফীভম ওইদবদগী দব্লিয়ু টি ২০ গী মখা তাবা মেচতা শান্নদনবা বি সি সি আইনা টিমদগী লৌথোকখি।

পান্দেনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ইন্দিয়ন স্কাদতা জোইন তৌখি অমদি লৈবাকপোকপা নুমিৎতগী ব্রাবোন ষ্টেদিয়মদা চৎখিবা নেট সেসন্দা শরুক য়াখি। নেট সেসন অদুদা অজিঙ্কয়া রহানেসু য়াওখি। অদুবু রভি শাষ্ট্রিনা মেনেজমেন্টনা টিম এলেভেন্দা মহুৎ শিন্নবা হৌজিক ফাওবগী ওইনা ৱারেপ লৌবা লৈত্রি হায়না ফোঙদোকখি।

ঐখোয়না হৌজিক ফাওবা ৱারেপ লৌবা লৈত্রি। মানিশ পান্দেনা জোইন তৌরবখক্তনি। শগোলশেন নুমিৎতা শান্নগদবা গেমগীদমক ঐখোয়গী খ্বাইদগী ফবা ওপসন অদু করি ওইবগে হায়বদু য়েংশি হায়খি।

মহাক শোকপনা মরম ওইদুনা শান্নবা য়াওররোই। মসি লাইবক থিবা হায়বদুনি। মহাক্কী খোঙগী খুজেংদা শোক্লিবা অদু য়াম্না শাথিবদি নত্তে হায়না শাষ্ট্রিনা হায়খি।

চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াগা টুর তৌখিবা অদুগী অরোইবা অমদি মঙাশুবা ও দি আইদা পান্দেনা শরুক য়াখিদুনা সেঞ্চুরি লৌবা ঙমখিবা অদুদা মীয়াম্না পূক্নিং চিংশিন্নরিবনি। মহাক্না ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগতা অহানবা ইন্দিয়ন বেটসমেন অমনা সেঞ্চুরি লৌবা ঙম্বগী রেকোর্দসু থল্লিবনি।

মশাগী চহী ২৬ শুরবা পান্দেনা মমাঙ চহীদা হরারেদা জিম্বাবৱেগা মায়োক্লদুনা টি ২০ ইন্টরনেসনেল মেচ অনী শান্নখি। মহাক্না ৱান দে মরিসু শান্নখি।

# ইন্টরনেসনেল ষ্ট্রেংথ লিফটিং এন্দ ইনক্লাইন বেঞ্চ প্রেসতা মণিপুরগী প্লেয়র য়াওবা ইন্দিয়ন টিমনা টোপ পোজিশন তারক্লে

ইম্ফাল, মার্চ ৩০ ঃ

থাইলেন্দনা য়ূম্বু ওইদুনা মসিগী কোনুং বেঙ্কোক্তা থা অসিগী ২৪ দগী ২৮ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৪ শুবা ইন্টরনেসনেল ষ্ট্রেংথ লিফটিং এন্দ ইনক্লাইন বেঞ্চ প্রেসতা শরুক য়ারুবা মণিপুরগী প্লেয়রশিং য়াওবা ইন্দিয়ন টিমনা টোপ পোজিশন তারক্লে।

টোপ পোজিশন তারক্লবা ইন্দিয়ন টিমদা য়াওখিবা মণিপুরগী প্লেয়রশিংনা টিমগীদমক গোল্ড মেদল ৫ অমদি ব্রোঞ্জ মেদল অনী পূন্না মেদল তরেৎ লৌখি।

লৈবাক নিপান্না শরুক য়াখিবা কম্পিটিশন অদুদা য়ূম্বু থাইলেন্দনা রন্নর্স-অপ তাখি। কম্পিটিশন অদুদা কম্পিটিটর নুপা অমদি নুপী ১৬০ না ৱেথ কেটেগোরি অহুমদা শরুক য়াদুনা লম্বানখি।

কম্পিটিশন অদুদা মেদল লৌরকখ্রবা মণিপুরগী প্লেয়রশিং অদুদি কেজি ৭২ গীদা পুস্পারানি দেবী অমদি কেজি ৪৬ কীদা বিদ্যারানিনা গোল্ড মেদল অনী অনী অমদি কেজি ৬২ গীদা এম গ্যানচান্দ লুৱাংনা ব্রোঞ্জ মেদল অনী ইন্দিয়াগীদমক লৌখি।

মণিপুরগী মীওই মঙানা শাবা কন্টিজেন্ট অদু কে ঐচ নিংথেম্না লুচিংখিবনি। অদুগা ইন্দিয়ন কন্টিজেন্ট অদু মেম্বর ৪৭ না শাবনি।

বেঙ্কোক্কী সুভারনাভুমি ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্টতা ইন্দিয়ন কন্টিজেন্টগী লীদর বাবুল বিকাস পট্রোনোবিসনা এদিটরস গিল্ড, মণিপুরগী এদিটরদা হায়খি, ইন্দিয়ানা হন্দক্কী অসি থারগা থংনা থংননা চেম্পিয়নশিপ অসিদা মরিরক শুবা ওইনা টোপ পোজিশন্দা লাকপা ঙম্বনি। থাইলেন্দনা টুর্নামেন্ট অসিবু মায় পাক্লা শিনখিবদা থাগৎলি হায়খি।

# ৱিমেন দব্লিয়ু টি-২০ ঃ ওষ্ট্রেলিয়ানা ইংলেন্দবু মায়থীবা পীদুনা থংনা থংননা মরিরক শুবা ওইনা ফাইনেল চঙখ্রে

ন্যু দেল্লি, মার্চ ৩০ ঃ

দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ওষ্ট্রেলিয়ানা মখোয়গী মতম কুইনদগী য়েক্লদুনা লাক্লবা ইংলেন্দবু মফম অসিদা পাঙথোক্লিবা আই সি সি ৱর্ল্ড কপ টি ২০ গী ঙসি শান্নখিবা সেমী ফাইনেল মেচতা রন ৫ দা মায়থীবা পীদুনা থংনা থংননা মরিরক শুবা ওইনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

সেমী ফাইনেল মেচ অদুদা ওষ্ট্রেলিয়ানা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৬ তুরগা অপূনবা রন ১৩২ লৌখি। মখোয়না ইংলেন্দগীদমক টার্গেট রন ১৩৩ পীরমখি।

মখোয়গী পাউখুমদা ইংলেন্দনা টার্গেট রন লৌননবগীদমক তানখৎলকপদা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১২৭ খক্তমক লৌবা ঙমদুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী মখূৎতা রন ৫ দা মায়থীদুনা লৈহৌখি।



ওষ্ট্রেলিয়াগী কেপ্তেন মেগ লানিংনা বোল ৫০ দা রন ৫৫ লৌদুনা মহাক্কী টিমবু রন ১৩২ লৌবদা মমাই চুমখি। বেটচমেন হেলিনা বোল ১৫ দা রন ২৫, বিলানিনা বোল ২০ দা রন ১৯, পেরিনা বোল ১৬ তা রন ১০ অমদি ব্লেক ৱেলনা বোল ১৩ দা রন ১১ লৌদুনা টিমগীদমক অঙম্বা থৌদাং লৌখি।

মখোয়গী বোলর মেগা স্কুটনা ওভর ৪ দা রন ১৫ পীথোক্লগা ৱিকেট ২ লৌদুনা ইংলেন্দদা অচৌবা শাফু অমা পীখি। মদুমক্কা মরম ওইদুনা ইংলেন্দনা ওষ্ট্রেলিয়াগী মখূৎতা মায়থীবগী চাউরবা লম্বী অমা য়াৎখি।

পেরিনা ওভর ৪ দা রন ২০ পীথোক্লগা ৱিকেট অমা, ফরেলনা ওভর ৪ দা রন ২৬ পীথোক্লগা ৱিকেট অমা, বিমসনা ওভর ৪ দা রন ২৩ পীরগা ৱিকেট অমা অমদি ওসবোরননা ওভর অমদা রন ৫ পীরগা ৱিকেট ১ লৌদুনা টিমগীদমক চাউনা মতেং পাঙখি।

ইংলেন্দগী ইদৱার্দসনা বোল ২৯ দা রন ৩১, ব্যুমোলনা বোল ৪০ দা রন ৩২, টেলরনা বোল ২৩ দা রন ২১, ৱায়টনা বোল ৯ দা রন ১০ অমদি ব্রন্টনা বোল ৫ দা রন ১১ লৌদুনা টিমগীদমক অচৌবা থৌদাং লৌখ্রবসু মায়থীবদগী কনবা ঙমখিদে।